# আই-এমগা কাপ্পবদা জেড য়ু এফ২ শিখ্রে

# ঐচ পি সি (ডি) গী কাডর ১ হাৎলগা মাংহনখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মে ৩০ঃ মচেৎ তারবা নগা মিলিটেন্ট এন এস সি এন (আই-এম) অমদি জেড য়ু এফ অনিগী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখ্রে।

থৌদোক্তুদা আই-এমগী মখূৎতা জেড য়ু এফ (জেলি- য়াংরোং য়ুনাটেড ফ্রন্ট) কী মায়কৈদা য়ামদ্রবদা কাডর অনি শিরগা অমনা নোংমৈনা পান্দুনা শোক্লে, নোংমৈ অমা মুনখ্রে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, নাগা মিলিটেন্ট অনিগী মরক্তা খূৎ থোক্লখিবগী থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক তমেংলোং ডিষ্ট্রিক্টকী খৌপুম সব-ডিভিজনগী মনুং চনবা আইজারোং অমদি ওক্তন খূল অনিগী মরক্তা থোকখিবনি।

অয়ুক পুং ৬:৩০ দগী পুং ৮ লোম তারকপা ফাওবা নাকল অনিনা চত্থখিবা খূথোক্লবগী থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা জেড য়ু এফকী মায়কৈদা কাডর অনি শিরগা অমনা শোকখি। শিখ্রবশিং অদুদগী আই-এমনা নোংমৈ অমসু মুনখ্রে হায়রি।

জেড য়ু এফকী লৈখিদ্রবা কাডরশিং অদুদি তমেংলোং ডিষ্ট্রিক্টকী তাওশাং খূলদগী ডিলূৰাম্বুই অমদি ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী তাওসেমজাং খূলদগী পেল্লিমোন কৌবা মীওই অনি অসিনি হায়নসু পাউগী লিখূল অমদা হায়রি।

নোংমৈ কাপ্পখিবগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মফম অদুগী খূঙ্গাশিং মীপায়বা পোক্লদুনা খূল থাদোক্তুনা চেন্নরুরে। অদুবু অথেংবা ফাওবদি পুলিসনা অশিবা হকচাং অনি অদু লৌখৎখিবগী পাউদি ফংবা ঙমখিদে।

পনবা য়াবদি, খূৎলাই পায়বা গ্রুপ অনি অসি মতম কয়াগী মমাংদগী খূৎ থানরগা লাকখিবনি। নাকল অনিনা মীশি-মীনা চাওনা থোক্ল রকপদগী জেলিয়াংরোং ফ্রুপকী ওইবা ওর্গনাইজে-সনশিংনা খূৎ থানবা লেপ্পবা অপিল তৌবসু লৈখ্রবনি।

অমরোমদনা মার পিপলস কনভেন্সন (ডি) গী কাডর অমা হাৎতোক্লগা মফম খঙহনখিদ্রে হায়না মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা ফোংদোরক্লি।

মফম খঙহনখিদ্রবা কাডর অদুগী মমিংনা লালফেল্লিয়ন (২৫) অপোকপা সংলৰম মার কৌই, মিজোরামগী খোলিয়-নদগী হৌজিক্ল া চুড়চান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা রেঙ্কাই খুলদা লৈবনি হায়রি।

মে ২২ দা ঐচ জোসাংবেরা অমদি লালরোপূই ফামোতে গ্রুপনা লম্বীদগী লালফেল্লিয়নবু ফাখ্রবা মতুং তমথিনা হাৎতো-ক্লগা মফম খঙহন্দনা মাংহনখিবনি।

‘সূ’ গী মখাদা লৈরিবা গ্রুপ অদুগী কাডরশিংনা তমথিবা হিংশাগী থৌওং চত্থরিবা অসিগী মতাংদা আইনগী ওইবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎতুনা অশিবা হকচাং অদু ইমুং-মনুংদা শিনহল্লু হায়নসু ঐচ পি সি (ডি) গী ইনফো-র্মেসন এন্দ পব্লিসিতি সেক্রেটরি জেকি মারনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি।